# অকনবা নোংলৈ নুংশিৎনা লৈবাক অসিগী ষ্টেট ৪দা মীওই ৩৪ শীহনখ্রে

**ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ১৭ (এজেন্সী)ঃ**
ইন্দিয়াগী মধ্যা প্রদেশ, গুজরাট, রাজস্থান অমসুং মহারাষ্ট্রা ষ্টেটতা অকনবা নোংলৈ নুংশিৎনা মরম ওইদুনা য়ামদ্রবদা মীওই ৩৪গী পুন্সি মাংহনখ্রে। অদুগা অমাঙ-অতা কয়াসু থোকহনখ্রে হায়রি।



মধ্যা প্রদেশকী তোঙান-তোঙানবা দিষ্ট্রিক্তা মীওই ১১ শীহনখি। মধ্যা প্রদেশকী খার্গোনে দিষ্ট্রিক্তা লৈবাক্লা শাবা য়ুমশিং অকনবা নুংশিৎ অমদি নোংনা মরম ওইরগা অমাঙ অতা থোকহনখি। খার্গোনে দিষ্ট্রিক্ট খক্তা নত্তনা উপাদি, বাদা, প্রেমনগর, গোগাবন্দ অমসুং ভোইনন্দ খুঙ্গংশিংদসু য়ুম কয়া নোংলৈ নুংশিৎনা মাঙ তাকহনখি।

মধ্যা প্রদেশকী হাথোর পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চন্না লৈবা জমুদির সররার খুঙ্গংদা ব্রজ তারকপদা ইমুং অমগী মীওই ৩ শীহনখিবগা লোয়ননা মীওই অমা অরুবা ফিভমদা শোক্তুনা লায়কন্নরি। থৌদাক অদু লৈবাকপোকপা নুমিৎতা থোকখিবনি।

অতোপ্পা দিষ্ট্রিক্ট অমদা হৌখিবা নুমিৎ নীনিদা নোংলৈ-নুংশিৎ, ব্রজ তাবা অমদি নোং কন্না চুখিবা মরমনা মীওই ২গী পুন্সি মাংহনখি। অদুগা অতোপ্পা অমনা ফিভম লুনা শোকপদগী লায়কন্নদুনা লৈরি। মধ্যা প্রদেশকী তোঙান-তোঙানবা খুঙ্গংদা মীওই ১৫ অশোক অপন নংখি। মদুগী মনুংদা মীওই ৩দি অরুবা ফিভমদা লৈরি হায়খি। ষ্টেট অদুদা অকনবা নোংলৈ নুংশিৎ অদুনা উজাও কয়া তুখিবা অদুনা মরম ওইরগা লন্থী চথোক চৎশিনগী খুদোংচাদবসু লৈহনখি।

গুজরাটতা লৈবা মেহস্না দিষ্ট্রিক্তা মীওই ৪, বনাসকন্থদা মীওই ২ লোয়ননা রাজকোট, মোর্বি অমসুং সবরকন্থদা মীওই অমমমা শীদুনা পুন্না ষ্টেট অদুদা অকনবা নোংলৈ নুংশিৎ অদুনা মীওই ৯গী পুন্সি মাংহনখি। দিষ্ট্রিক্ট ৪ অদুগী অয়াম্বা মফমদা লৈবা মহৈ মরোংশিং অমাঙ অতা থোকহনখি।

মহারাষ্ট্রদা অকনবা নোংলৈ নুংশিৎ অদুনা মীওই ৭কী পুন্সি মাংহনখি। ষ্টেট অদুদা হৌখিবা নুমিৎ নীনিদা অকনবা নোংলৈ নুংশিৎ অমসুং লেন তাবগী থৌদোক্লা অমাং অতা কয়া থোকহনখি। সটানা অমসুং পর্ভনিদা ব্রজ তারকপদা মীওই ২ শীখি, অমনা অশোক অপন নংহনখি। পুনে, নাসিক অমসুং অহমদনগরদা মীওই অমমম নোংলৈ নুংশিৎনা শীহনখি।

রাজস্থানদা নোংলৈ নুংশিৎনা শীহনখিবা মীওই ৭ শুখ্রে। ঝলাৱর দিষ্ট্রিক্ট খক্তদা অকনবা নোং অমসুং দষ্টষ্টোর্মনা অঙাং ৪গী থৱায় মাঙহনখিবগা লোয়ননা মফম অদুদা লৈবা য়ুম কয়া অমসুং মপাঙ্গল শোল্লবা উজাও কয়া তুহনখি। মফম অদুগী লন্থী থোংগী ফিভম অদুসু খঙহৌদনা নোংলৈ নুংশিৎ অদুনা অপনবা পীবদগী চথোক চৎশিনদা অৱাবা অমা ওইখি।

# জম্মু এন্দ কাস্মিরদা ইলেক্সন ওফিসরশিংনা আর্মি পার্সনেলশিংগী মথক্তা এফ আই আর লৌখৎনবা তকশিনখ্রে

**শ্রিনগর, এপ্রিল ১৭ (এজেন্সী)ঃ**
জম্মু এন্দ কাস্মিরগী সিভিল ওফিসর অমনা ঙসি মহাক্কী মথক্তা অমসুং অতোপ্পা ওফিসলশিংদা ইন্দিয়ান আর্মিগী পার্সনলশিংনা ফু-চৈবগী থবক চথখিবা অদুগী মতাংদা এফ আই আর অমা থাঙ্গৎনবা অপাম্বা ফোঙদোকখ্রে।



ওফিসল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরকপদা মখোয়না মীখলগা মরী লৈনবা থবক থৌরমশিং পায়খৎলিঙৈদা ইন্দিয়ান আর্মিগী ওফিসলশিং অদুনা অয়েৎপা পীরকখিবনি হায়রি। মহাক্না এফ আই আর অদু লৈবাক অসিগী চৎনা কাংলোনগী ৱাংমদা ফা পুনবা তৌখিবা অমসুং খুৎ থাবা য়াওখিবা অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা এফ আই আর থাঙ্গৎপীনবা হায়খিবনি।

থৌদোক অদুগী মতাংদা ঙরাং নুমিদাং পুং ১০.৪৫ রোম চৎপা মতমদা দুরুগী সব দিভিজনল মেজিষ্ট্রেট গুলাম রসুল ৱানেনা কাজিগুনদা লৈবা ষ্টেট হেদ কার্টরদা ইখিবা চেরোল অদুনা মহাক অমসুং মহাক্কী টিমনা অনন্তনাগ দিষ্ট্রিক্টকী বেসু তম্না চৎপগী লম্বেলদা নেসনল হায়ৱে অদুদা আর্মি কোনবোইনা সিবিলিয়ন ট্রাফিক থিংদুনা থম্লম্বনি হায়রি।

ৱানেনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা নেসনল হায়ৱে থিংদুনা লৈরম্বা আর্মি পার্সনলশিং অদুদা মহাক মশামক মীখলগা মরী লৈননা দ্যুতি পাঙথোক্ল নবা চৎপনি হায়না শক্তাক চে উৎলবা মতুংদা বেসু তম্না চৎপগী অয়াবা পীরকখি। অদুবু মখা তানা দলৱাক ক্রোসিংদা লৈরম্বা আর্মি পার্সনেল খরনা অমুক খাম্লগা মখা তানা চৎপা য়াররোই হায়না ফোঙদোরকখি।

আর্মি কনভোই অমা লাম্থোক্লিবা ফাওবা মখোয় অমত্তা চৎপা য়ারোই হায়না ফোঙদোকখি। সব দিভিজনল ওফিসর গুলাম রুসুল ৱানিনা মমাঙদা লৈরম্বা আর্মি পার্সনলশিং অদুদা শক্তাক চে উৎতুনা লাকখিবগী ৱারী তমখ্রবসু মহাক্কী ড্রাইভর অদুবু বিনয় কুমার কৌবা আর্মি পার্সনেল অমনা ফু-চৈবা তৌরবা মতুং গাড়ি অদুসু অকাই অতোই থোকহনখি হায়না ষ্টেট হেদ কার্টর কাজিগুনদা ইখিবা চেরোল অদুদা য়াওখি।

মহাক্না আর্মি পার্সনেল অদুগী থৌওং লেপ্পনবা হায়রুবদা মহাকপু মঙকশম পায়দুনা মিটর ২০ লোম ইল্লবা মতুং ফু-চৈবা তৌখি। মখা তানা পার্সনলশিং অদুনা ৱানিগা লাকমিন্নখিবা ওফিসলশিং অদুগী মোবাইল ফোনশিং অদুসু থুগাইখি হায়রি।

ফু-চৈবা লোইরবা মতুং আর্মি পার্সনেলশিং অদুনা মীখলগা মরী লৈননা দ্যুতি তৌনবা চৎখিবা ৱানি অমসুং মহাক্কী খোঙলোইশিং অদুবু নোংমৈ চিনদোলদা ফাজিন্দুনা থম্লগা মখোয়না হায়বা ইন্দ্রবদি কাপ্তুনা হাৎকনি হায়বগী ৱাহৈ ফোঙদোক্তুনা কিহনখি। মফম অদুদা অনন্তনাগকী দেপ্যতি কম্মিস্নর লাক্লবা মতুংদা আর্মি পার্সনেলশিং অদুনা মখোয়বু থাদোরকপনি হায়রি।

# গেহলোতনা প্রসিদেন্ট কোবিনগী মতাংদা ফোঙদোকখিবা ৱাফম্না ৱাথোক ওইহনগদৌরি

**ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ১৭ (এজেন্সী)ঃ**
কোংগ্রেস পার্টিগী সেনিয়র লুচিংবা অসোক গেহলোতনা ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্ট রামনাথ কোবিনবু কাষ্টকী মতাংদা খন্নরবা মতুং প্রসিদেন্ট ওইহনখিবনি হায়বগী কমেন্টনা অচৌবা ৱাথোক অমা ওইগদৌরি।



অসোক গেহলোতকী ৱাফম অসিগী মতাংদা বিজেপিনা ফোঙদোকপগী মতুং ইন্না ৱাফম অদু 'এন্টি-দলিট, এন্টি-পোর অমসুং এন্টি কন্সটিট্যুস্নেল' ওই হায়রদুনা লাল্লে হায়জগদবনি অমসুং অকনবা থবক পায়খৎকনি হায়খ্রে।

রাজস্থানগী কোনুং জয়পুরদা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা রাজস্থানগী চীফ মিনিষ্টরসু ওইরিবা অসোক গেহলোতনা ফোঙদোকখিবদা গুজরাটতা কুমজা ২০১৭গী এসেমব্লী মীখল পাঙথোক্লিঙৈ মাংওইননা বিজেপিনা লৈঙাক শেম্বগী মতাংদা খুদোংচাবা লৈররোই হায়বগী ৱাফম লাকপদগী প্রসিদেন্ট ওইনবা মীরেপ অদু মাংজৌননা থমখিবনি। মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা মীয়ামগী ৱাফমদা গুজরাটতা লৈঙাক শেম্বগী চয়েৎনবা লাক্কদৌরে হায়বা চিংনবা লৈবদগী বিজেপিগী প্রসিদেন্ট অমিত শাহনা রামনাথ কোবিনবু প্রসিদেন্ট ওইহন্দুনা কাষ্টকী খেন্নবা লৈবা অদু য়াশিন্নবা পুরকখিবনি। মদুনা মরম ওইরগা লৈবাক অসিগী প্রসিদেন্ট ওইনা বিজেপিগী লুচিংবা ওইরম্লবা এলকে অদবানিনা প্রসিদেন্ট ওইবা য়াবগী খুদোংচাবা মাঙহনখিবনি।

রাজস্থানগী চীফ মিনিষ্টর অসোক গেহলোতনা ফোঙদোকখিবা ৱাফম অদুগী মতাংদা পুং খরগী মতুংদা বিজেপিনা ন্যু দিল্লিদা পাউগী মীফম অমা পাঙথোক্তুনা কোংগ্রেস পার্টিনা চথরক্লিবা লালোং অসি লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী থাক ৱাংবা কন্সটিট্যুসনগী থবক থৌরমদা য়াম্না নেম্বা এটেক অমনি হায়না ফোঙদোকখি। মখোয়না লাইরবা অমসুং দলিট কম্যুনিতিগী মায়োক্তা কোংগ্রেস পার্টিনা লেপ্লিব্রা হায়না হংখি। বিজেপিনা কোংগ্রেস পার্টিগী মায়কৈদগী চথরকখিবা এটেক অদুগী মতাংদা মীয়ামদা লাল্লে হায়জগদবনি হায়বগী ৱাফম থমখি।

# ওরিষাদা মাওইষ্টনা লোক সভা মীখলগী ওফিসল হাৎখ্রে

**ফুলবানি, এপ্রিল ১৭ (এজেন্সী)ঃ**
ওরিষাগী ফুলবানিদা মাওইষ্টকী এটেক অমদা ১৭শুবা লোক সভা মীখলগী ২শুবা ফেজগী ভোট থাদবগী মাংওইননা পোল্লিং ওফিসর নুপী অমা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখ্রে হায়না পুলিসকী রিপোর্ট অমনা ফোঙদোরক্লি।

নুপী পোল্লিং ওফিসর অদু হাৎখিবতা নত্তনা মীখলগা মরী লৈননা লাকখিবা গাড়ি অমসু মৈ থাদুনা মাংহনখ্রে হায়রি।

থৌদোক অনীমক ওরিষা ষ্টেটকী মনুং চন্না লৈবা মাওইষ্টকী অকনবা মফম ওইরিবা কন্ধমল দিষ্ট্রিক্তা থোকখিবনি। পনবা য়াবদি মাওইষ্টনা কন্ধমল দিষ্ট্রিক্টকী মীয়ামদা লোক সভাগী মীখল অদু বোইকোট তৌননবা মাংজৌননা ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি।

পুলিসকী রিপোর্ট অসিনা মখা তারদুনা পোল্লিং ওফিসর ওইরিবী সঞ্জুকতা দিগলনা লুচিংবা টিম অমা মফম অদুগী অনীশুবা ফেজগী মীখলগীদমক পোল্লিং বুথতা চৎলিঙৈদা মহাক্না তোংখিবা গাড়ি অদুগী লম্বেলদা চীংনবা পোৎশক অমা লৈরম্বদা খামদুনা য়েংলুবদা মনাক নকপা মফমদগী মহাকপু নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখিবনি।

কোচাপাদা পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চন্না লৈবা বলন্দাপাদা খুঙ্গংগী অনকপগী উমং অমা লাম্থোরকপদা থৌদোক অদু থোকখিবনি হায়না দিজিপি বিকে শর্ম্মনা পাউগী এজেন্সি অমদা ফোঙদোরক্লি। সঞ্জুকতা দিগলগা চৎমিন্নখিবা অতোপ্পা পার্সনল ৪ অদুদি অশোক অপন নংহৌদে হায়রি। থৌদোক অদু ঙসি অয়ুক পুং ৭ রোম তাবা মতমদা থোকখিবনি।

অতোপ্পা থৌদোক অমদা কন্ধমল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা ফিরঙ্গিয়া পুসিল ষ্টেসন এরিয়ানা কোনবা খুঙ্গং অমদা পোল্লিং বুথ তম্না লাকখিবা ইলেক্সন ওফিসলশিংগী গাড়ি অদু মাওইষ্টনা মৈ থাদুনা মাংহনখ্রে হায়রি। থৌদোক অদুগী মতাংদা দিষ্ট্রিক্ট কলেক্টর অমদি রিটর্নিং ওফিসর ওইরিবা বৃন্দানা ফোঙদোকখিবদা খুৎলায় পায়বা মাওইষ্টশিংনা ওফিসলিশিং অদুবু কুমথহল্লগা গাড়ি অদু মৈ থাখিবনি হায়রি।

# রাহুল গান্ধিনা প্রাইম মিনিষ্টর মোদিবু লৈবাক থুগাইনবা হোৎনরে হায়না মরাল শীখ্রে



**ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ১৭ (এজেন্সী)ঃ**
কোংগ্রেস পার্টিগী প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধিননা লৈবা অসিগী প্রাইম মিনিষ্টর ওইরিবা নরেন্দ্র মোদিবু হুল্লন্দুনা লৈবাক অসি মচেৎ তানা থুগাইবগা লোয়ননা কাংলুপ মশেল খৎনহল্লে হায়না মরাল শীখ্রে।

ঙসি রাহুল গান্ধিননা কেরলাগী কনুরদা পার্লিয়ামেন্টরি কোওর্দিনেসন কমিতিগী মীফম অমা লোইরবা মতুং পাউমীশিংগা উন্নবদা ৱাফমশিং অসি ফোঙদোকখিবনি।

রাহুল গান্ধিননা লৈবাক অসিদা লৈরিবা নহাশিংনা থবক ফংদ্রিবা, লৌমীশিংনা মথন্তা শীজরিবা অমসুং রাফেল জেট ফাইটর দিলদা অরানবা মওংদা অনিল অম্বানিনা লুপা ক্রোর ৩০,০০০ পীখিবা অদুগী অশোইবা পুম্নমক প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা মরাল য়াজফম থোকই হায়খি।

মোদিনা লৈবাক অসি মচেৎ তানা থুগাইরে। লোয়ননা লৈবাক অসিগী মনুংদা অমনা অমবু নুংশিন্নদবা অমদি খৎন-চৈনবা হেনগৎলক্লি হায়খি। রাহুল গান্ধিননা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা খ্বাইদগী চাওনা লৈবাক অসিগী মায়োক্তা চথরিবা থবক ওইনা লৈবাক অসিগী মশিং য়াম্লবা নহা ২৭,০০০না পুং ২৪ খুদিংগী মখোয়না পায়জরম্বা থবক্তগী লৌথোকপিরে হায়না মরাল পীখি।

লৈবাক্কী মায়োক্তা চথরিবা বিজেপিগী খোঙথাংশিং অসিনা লৌউ-শিংউবগী মতাংদা হান্নদগী লৈরক্লিবা কাংলোনশিং য়াম্না ফিভম শোকপা মায়কৈদা পুশিল্লক্লি। মদুনা মরম ওইরগা মশিং য়াম্লবা লৌমী কয়া মখোয়না পুশিল্লুবা শেনফমশিং শিংদোকপা ঙমদনা মথন্তা শীজবা কয়া য়াওরি। হায়রিবা খোঙথাংশিং অসি এন্টি নেসনল ওইবা খোঙথাংনি হায়না রাহুল গান্ধিননা মখা তানা ফোঙদোকখি।

লুপা ক্রোর ৩০,০০০ লৌরগা অনিল অম্বানিদা পীখিবা অসিসু এন্টি নেসনল ওইবা থৌওং অমনি। মসিগীদমক নরেন্দ্র মোদিনা চপ চাবা পাউখুম পীফম থোকই হায়খি।

কোংগ্রেসকী লুচিংবা অসিনা ইন্দিয়াদা হৌজিক মরু ওইবা হিরম অহুমদা খন্ন-নৈনবা মথৌ তারি। অহানবদা ইকোনোমিগী ফিভম হন্থরকপা, এগ্রারিয়ান ক্রাইসিস (লৌউবশিংনা বেঙ্কতগী পুশিল্লুবা শেনফম লোইশিনখ্রবা মতুং লম্নাইগী ফাইনান্স ইন্সটিট্যুটশিংদগী শেন্দোই ৱাংনা শেল পুরগা শিংবা ঙমদবা) অমদি শেঞ্জা থুমজাগী মতাংদনি। হায়রিবা য়াম্না মরু ওইবা হিরম অহুম অসিগী মতাংদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা মীয়ামদা শেংদোক্লবা শেম শাদবা অসি লৈবাক অসিবু নুংশিদবা এন্টি নেসনল ওইবা থৌওংনি হায়না মরাল শীরক্লি।

রাহুল গান্ধিননা কেরলাগী ৱায়ানদ কন্সটিট্যুয়েন্সিদসু ১৭শুবা লোক সভা মীখলগী মীরেপ ওইগদৌরি। মমাঙদা কোংগ্রেসকী প্রসিদন্ট অসিনা উট্টর প্রদেশকী অমেথিদা মীখল মায় পাক্তুনা লাকখিবনি।

লুচিংবা অসিনা এপ্রিল ২৩দা কেরালদা লোক সভা মীখলগী ভোট থাদনগদৌরিবা অসিগীদমক্তা মখা তানা ষ্টেট অদুদা মীয়ামগী ওইবা মীফম ৪ পাঙথোক্কদৌরি। ষ্টেট অদুদা লৈঙাক পায়রিবা সিপিআইএম অমদি কোংগ্রেসকা অকনবা লম্বা পানগদৌরি।

কেরলা ষ্টেটতা লোক সভাগী মীখল পাঙথোক্কদবা কন্সটিট্যুয়েন্সি ২০ লৈরি। মদুদা সিপিআই-এমনা লুচিংবা লেফট দেম্মক্রেটিক ফ্রন্ট অমদি কোংগ্রেসনা লুচিংবা য়ুদিএফনা খ্বাইদগী মরু ওইবা লম্বা তৌনগনি।

অদুবু টিরুবনন্থপুরম, পটনমথিতা অমসুং থ্রিসুর কন্সটিট্যুয়েন্সিদা লৈবাক অসিগী লৈঙাক পায়রিবা বিজেপিনা লুচিংবা এনদিএনা কোংগ্রেস অমসুং সিপিআই-এমনা লুচিংবা এলদিফএকী পার্টিশিংগা ১৭শুবা লোক সভা মীখল অসিদা অকনবা লম্বা থাদগদৌরি।

# প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ওপোজিসনবু কিহল্লে ঃ মমতা বেনর্জি

**মুর্সিদবাদ, এপ্রিল ১৭ (এজেন্সী)ঃ**
ৱেষ্ট বেঙ্গলগী চীফ মিনিষ্টর অমদি ট্রিনামুল কোংগ্রেসকী লুচিংবী ওইরিবী মমতা বেনর্জিনা ঙসি ষ্টেট অদুগী মুর্সিদবাদতা পাঙথোকখিবা মীয়ামগী রেল্লি অমদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা বিজেপিগী মায়োক্তা লৈবা ওপোজিসন পার্টিবু কিহল্লে হায়না ফোঙদোকখি।



মমতা বেনর্জিনা ঙসিগী রেল্লি অদূদা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা টামিলনাদুগী দিএমকেগী লুচিংবা কানিমোজিগী টুরিকোরিয়মদা লৈবা ময়ুমদা ইনকম টেক্সকী ওফিসলশিংনা রেইদ চথখিব অদুবু কন্না য়ানিংদবা ফোঙদোক্লদুনা বিজেপিনা লুচিংবা এনদিএ লৈঙাক্লা মখোয়গী মায়োক্তা লৈবা ওপোজিসন পার্টিবু কিহল্লে হায়না ফোঙদোরক্লি।


মমতা বেনর্জিনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা টামিলনাদুগী দিএমকে পার্টি লুচিংবা কানিমুজিগী টুটিকোরিনদা লৈবা ময়ুমদা ইনকম টেক্সকী ওফিসলশিংনা রেইদ চথখিবা অদু বিজেপি লৈঙাক্লা অতম্নবা ওপোজিসন পাটিগী লুচিংবশিংদা কিহনবগী থৌওং অমতা চথরি হায়না মরাল শীখি।

পনবা য়াই, ঙরাং ইনকম টেক্স ওফিসলশিংনা মরম অমত্তা য়াওদনা টামিলনাদুগী দিএমকে লুচিংবা কানিমোজিগী ময়ুমদা রেইদ চথখিবনি। কানিমোজি অমসুং পার্টি অদুগী লুচিংবা এমকে ষ্টেলিননা নরেন্দ্র মোদি অমসুং বিজেপিগী মায়োক্তা লৈ হায়বগীদমক রেইদ চথখিবা মাল্লি হায়না টিনামুল কোংগ্রেসকী লুচিংবী অমদি ৱেষ্ট বেঙ্গলগী চীফ মিনিষ্টর মমতা বেনর্জিনা ফোঙদোকখি।

পোলিটিকেল পার্টি অমগী লুচিংবা ওইরবী মীওই অমদা মফম অদুগী মীয়াম্না ফিদম্নফম ওইবা মওংদা মফম অদুগী অফবা অমসুং চাওখৎ থৌরাংগী লম খক্তা নত্তনা অৱাৎপা কয়া মেনশিন্নবগীদমক মীশক অদুবু মীরেপ ওইনা থাগৎলিবনি। তাঙ্কক অসিদা অতোপ্পা পার্টি (লৈঙাক পায়রিবা বিজেপি)গী লমজিং মখাদা মরম লৈতনা লুচিংবা অমগী ময়ুমদা ইনকম টেক্স ওফিসল থাজিন্দুনা রেইদ চথখিবা হায়বসি লুচিংবা অদুবু মতেং পাংলিবা মশিং য়াম্লবা মীয়ামদা চম্মনবা অমদি ৱাখল থৈদোক্লবগী তাঞ্জা অমা পীরি। ওপোজিসন পার্টিদা লৈঙাক্লা কিহনবা অসি মফম মতম চাদে হায়না মমতা বেনর্জিনা ফোঙদোকখি।

# মধ্যা প্রদেশকী ভোপাল কন্সটিট্যুয়েন্সিদা কোংগ্রেসকী দিগবিজয় অমসুং বিজেপিগী প্রগ্যাগা লম্বা পানগদৌরি

**ভোপাল, এপ্রিল ১৭ (এজেন্সী)ঃ**
মধ্যা প্রদেশকী কোনুং ওইরিবা ভোপালগী লোক সভা কন্সটিট্যুয়েন্সিগী ওইনা কোংগ্রেস পার্টিগী মায়কৈদগী ষ্টেট অদুগী হান্না চীফ মিনিষ্টর ওইরম্লবা দিগবিজয় সিংহ অমসুং বিজেপিগী মায়কৈদগী কুমজা ২০০৮দা মালিগাও বোম ব্লাষ্টতা চেন্নবা সাদভী প্রগ্য সিংহ থাকুর লম্বা তৌনগদৌরি।





ভোপালগী বিজেপি ওফিসতা ঙসি পাউমীশিংগা উন্নবা অমদা সাদভী প্রগ্য সিংহ থাকুরনা ফোঙদোকখিবদা বিজেপিগী মেম্বর অমা ওইরবা মতুং মীখলগীদমক চোংথোরকপনি। লোয়ননা মায় পাকপদা অপনবা অমত্তা লৈরোই হায়না ফোঙদোকখি।

মহাক্কী ৱাফম অসিগী মাংওইননা মশামক্লা হৌজিক হৌজিক ভোপাল পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুয়েন্সিদগী মায় পাক্লিবা বিজেপিগী অলোক সঞ্জরনা মহাকপু মতেং পাঙগনি হায়রি।

সাদভী প্রগ্য সিংহ থাকুরনা বিজেপি লুচিংবা সিবরাজ সিংহ চৌহান অমসুং রামলালগা য়াম্না তোইনা উনরবা মতুং পার্টি অসিগী মায়কৈদগী ভোপাল লোক সভা কন্সটিট্যুয়েন্সিদা মীরেপ ওইনবা ৱারেপ লৌখিবনি হায়না ফোঙদোকখি।

ভোপাল লোক সভা কন্সটিট্যুয়েন্সিগী সিটিং এমপি ওইরিবা অলোক সঞ্জরনা পাউগী মীফম অদুদা ফোঙদোকখিবদা সাদভী প্রগ্য সিংহ থাকুরগী মথক্তা লৈরিবা চার্জ অদুগী খুদম অমত্তা ফংবা ঙমদ্রি। নুপী অমগী মথক্তা ইকায়খুম্নবগী ৱাংমদা অৱাবা পীরকপনি। মদুগী লমন খুম্নবা মতম চপ চারে হায়না সঞ্জরনা ফোঙদোকখি।

# জম্মু এন্দ কাস্মিরগী এসেমব্লী মীখল অমসুং গভর্ণরগী মতাংদা হান্নগী চীফ মিনিষ্টর ওমর অব্দুলানা ৱাফম কয়া ফোঙদোরক্লি

**অনন্তনাগ, এপ্রিল ১৭ (এজেন্সী)ঃ**
জম্মু এন্দ কাস্মিরগী অনন্তনাগ দিষ্ট্রিক্টতা মীয়ামগী ওইবা রেল্লি অমদা ষ্টেট অদুগী হান্না চীফ মিনিষ্টর ওইরম্লবা ওমর অব্দুলানা ষ্টেট অদুদা গভর্ণরস রুল লৈবা মরম্না এসেমব্লী মীখল অথুবা মতমদা পাঙথোক্লোইদৌরি অমদি ষ্টেট অদুগী গভর্ণরগী ৱাফম মতিক চাদে হায়না ফোঙদোকখ্রে।



ওমর অব্দুলানা মখা তানা ফোঙদোরকপদা ষ্টেট অদুগী গভর্ণর ওইরম্বা সত্যাপাল মালিকনা লৈঙাক্কী ওফিসলশিংদা ফোঙদোকখিবগী মতুং ইন্না ষ্টেট অদুদা মমাঙ চহীগী জুলাই থাদগী গভর্ণস রুল থমদুনা লাকখিবনি। লোয়ননা ষ্টেট অদুগী এসেমব্লী মীখলদা পাঙথোক্তনা লাকখি।

হান্নগী চীফ মিনিষ্টর ওমর অব্দুলানা মখা তানা ফোঙদোকপদা জম্মু এন্দ কাস্মির ষ্টেটকী গভর্ণর ওইরিবা সত্যপাল মালিক মতিক চাবা গভর্ণর অমগী থবক থৌরমশিং পায়খৎপা ঙমদবা গভর্ণর অমা ওইরব্রা নৎত্রগা বিজেপিনা হায়বা খুদিংমক থবক ওইনা পাঙথোকপা পান্থা ওফিসল অমা ওইরব্রা হায়বা ৱাহং হংলক্লি।

জম্মু এন্দ কাস্মিরগী মীয়াম্না থাজনরম্বনি থা অসিগী ১১দগী হৌখিবা অহানবা ফেজকী লোক সভা মীখল অদুগা মান্ননা ষ্টেট অদুদা পন্দুনা লৈরিবা এসেমব্লী মীখল অদুসু মতম অমত্তদা পাঙথোক্কনি হায়না থাজনরম্বনি। অদুবু ইন্দিয়াগী ইলেক্সন কম্মিসননা ষ্টেট অদুদা লৈরিবা সিক্যুরিটিগী চীংনবা লৈবদগী লোক সভা মীখলগা এসেমব্লী মীখলগা চপ মান্নবা মতমদা পাঙথোকপা য়ারোই হায়বগী ৱাফম ফোঙদোরকপনি।

জম্মু এন্দ কাস্মিরগী হান্না চীফ মিনিষ্টর ওইরম্বা ওমর অব্দুলানা ঙসি পাউগী চেনেল অমগা ৱারী শান্নবদা ষ্টেট অদুদা গভর্ণরগী থৌদাং অসি বিজেপিগী এজেন্দা মপুং ফানা পাঙথোক্নবগীদমক ষ্টেট অদুদা মীয়াম্না খনগদবা লৈঙাক অমা থম্বা পামদবগী খোঙথাংশিং অদু পায়খৎলব্রা হায়বগী চীংনবা লৈ হায়খি।